# মনিপুর অর্বান রোদ, দ্রেনেজ এন্দ এসেত মেনেজমেন্ত ইমপ্রুভমেন্ত প্রোজেক্ত (MURDAMIP)

## রিসেত্তলমেন্ত প্লান

## প্রোজেক্ত মমিংঃ মনিপুর অর্বান রোদ, দ্রেনেজ এন্দ এসেত মেনেজমেন্ত ইমপ্রুভমেন্ত প্রোজেক্ত (MURDAMIP)

### রিসেত্তলমেন্ত প্লানগী মচং ওইবা শম্লপ্পা ৱারোল

### E.1 প্রোজেক্তকী শম্লপ্পা ৱারোল:

মনিপুর লৈঙাক্লা, শেন্মিৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্ননবা, খুঙ্গং অমদি রাজ্য অমগা রাজ্য অমগগী মরক্তা শন্নরিবা লম্বী নৎত্রগা অন্তরজাতিগী লম্বীশিংগা শন্নরিবা লম্বীশিংবু অফবা লম্বী ওইনা শেমগৎনিংলি। পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্তমেন্তনা, মনিপুরগী সহর অমসুং খুঙ্গংদা লৈরিবা সেকেন্দরী রোদ নেতৱর্কপু শেমগৎ-শাগৎপগী থৌদাং লৌরি লোয়ননা স্তেত অসিগী ইনফ্রাস্ত্রকচর ফগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্তশিং পায়খৎলি।

রিসেত্তলমেন্ত প্লান্না অসিগুম্বা থবকশিং অসি পায়খৎপদা শোকহল্লবা মীওইশিং অমসুং ফুরুপশিং অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক্লবা অমসুং পুনশিন্নহন্নবা মপুং ফাবা ফ্রেমৱর্ক পীরি। দোকুমেন্ত অসিদা শোকহল্লবা মীওইশিংদা অপনবা লৈহন্দনা চৎহন্ননবা অমসুং সস্তেনেবল ত্রাঞ্জিসন ফংহন্নবা মথৌ তাবা থৌরাংশিং, পান্দমশিং, অমসুং থৌওংশিং য়াওরি। প্রোজেক্ত অসিনা থল্লিবা পান্দমদি:

- ময়ুম মকৈ থাদোকহল্লবা মীওইশিংবু মখোয়গী হক, ইকায়খুম্নবা অমসুং অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা - খুদোংথিবদগী ঙাকথোক্তুনা অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোকপদা মতেং পাংবা,
- মফমদুগী মীয়ামগা তোৎন-তিন্নবা অমসুং অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহন্বদা শরুক য়াহন্নবগী থৌওং য়োকখৎপা,
- মরুওইবা অমদি মথৌ তাবা থৌরাং য়াখোক্তুনা/স্ত্রেতেজিক প্লান্নিং অমসুং সপ্পোর্ত মেকানিজমগী খুথাঙদা ওইরকপা য়াবা খুন্নাইগী, শেন্মিৎলোনগী, অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা পীগদবা চৈথেংশিং কোকহন্বনি।

### E.2 নৈনবগী মওস মতৌ অমসুং তৌগদৌরিবা থবক অদুগী চৎন-কাঙলোন

রিসেত্তলমেন্ত প্লান অসি লৈফম থোকপা চাং অমসুং গুন হায়রিবা সর্ভে অনিমক্তা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বনি। প্রাইমারী দেতা সেন্সস অমসুং সোসিও-ইকোনমিক সর্ভেগী মথং মনাও নাইনা শেম্লবা ৱাহং পরেংশিংগী পাউখুম শীজিন্নদুনা খুঙ্গং ৬১গী য়ুমথোঙ খুদিংদগী খোমগৎপনি। য়ুমথোঙগী সর্ভেগী মথক্তা, কনসল্তেন্তশিংনা শোকহল্লবা মীয়ামগা লোয়ননা মীফম ৭৯ লক পাঙথোকখি। সর্ভে অসিনা পীরিবা কান্নবশিংদি:

- প্রপোজ তৌরিবা প্রোজেক্ত অদুগা মরী লৈনবা মরুওইবা খুন্নাইগী ৱাফমশিং খঙদোকপা অমসুং প্রোজেক্ত অদুনা খুন্নাইগী চাওখৎ খোঙথাঙদা পীগদবা কান্নবা মশক খঙদোকপনি।
- কন্সত্রক্সন ফেজ অমসুং ওপরেসন ফেজ অনিমক্তা লাকপা/পীরকপা য়াবা খুন্নাই অমসুং শেন্মিৎলোনগী চৈথেংশিং নৈনবনি।
- প্রোজেক্তনা শোকহল্লবা মীয়ামগী রিসেত্তলমেন্ত অমসুং রিহেবিলিতেসনগা মরী লৈনবা থৌশিল শেম্বা অমসুং অতোপ্পা প্রোভিজনশিং হাপ্পা লোয়ননা খুন্নাইগী ওইবা অতোপ্পা ৱাফমশিং য়েংশিনবনি।
- তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্তকী কম্পোনেন্তশিং অমসুং লম লৌশিন্বদা পীবা য়াবা চৈথেংশিং (ময়ুম মকৈ তকখায়বা, হিংনবা লম্বীনচিংবা মাঙখিবা), অমসুং মশানা য়ানিংদনা ময়ুম মকৈ হোংদোকহনবা মথৌ তারক্কদবগী মতাঙদা লাকপা য়াবা চৈথেংশিংগী সোসিএল স্ক্রীনিং তৌবা অমসুং চুনবা মিতিগেসন প্লানশিং শেম্বদা ইনপুত (চৈথেংগী চাং অমসুং মদু কোকহনবদা চঙলকপা য়াবা শেঞ্জংগী চাং) পীবনি।
- প্রোজেক্ত এরিয়া অমসুং মদুগী অকোয়বদা লৈরিবা খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরাংগী ৱাফমশিং স্ক্রীনিং তৌবা অমসুং পুন্সিগী থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং প্রোজেক্তকী শেন্মিৎলোন অমসুং খুন্নাইগী পান্দমশিং ফংহন্নবা প্রোজেক্তনা পীবা য়াবা সোসিএল সর্ভিসশিং শেম শাবনি।

## E.3 পোলিসী এন্দ লিগেল ফ্রেমৱর্ক অমদি স্কোপ ওফ লেন্দ একুইজিসন এন্দ রিসেত্তলমেন্ত

- প্রোজেক্ত অসিদা য়াওরিবা রিসেত্তলমেন্তকী (খুন্দা লৈতহন্নবগী) ৱাফমশিংগী পাম্বৈ পুরক্নবগীদমক শীজিন্নরিবা লিগেল ফ্রেমৱর্ক অমসুং কাঙলোনশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক (GOI), মনিপুর লৈঙাক অমসুং এসিয়ন ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনভেস্তমেন্ত বেঙ্ক (AIIB)গী লৈরিবা লেজিসলেসন অমসুং পোলিসীদা য়ুম্ফম ওই। প্রোজেক্ত পুম্বসিগী রিসেত্তলমেন্ত প্লান (RP) শেম্বা মতমদা হান্নদগী লৈরিবা লৈবাক্কী অমসুং স্তেতকী পোলিসীশিং মচা খায়না নৈনখি। ইমপ্রুভমেন্ত ওফ রোদ ৱিদিন গ্রেতর ইম্ফাল ৱিথ রিজিদ পেবমেন্ত ইনক্লুদিং কনক্রিৎ লাইন্দ দ্রেন (MURDAMIP)না লম অমসুং খুন্নাইদা পীগদৌরিবা চৈথেঙগী মতাঙদা লৈরিবা পোলিসী অমসুং লিগেল ফ্রেমৱর্ক অসি মখাগীশিংসিদা য়ুম্ফম ওইগনি:
- রাইত তু ফেয়র কমপেন্সেসন এন্দ ত্রান্সপেরেন্সী ইন লেন্দ একুইজিসন, রিহেবিলিতেসন এন্দ রিসেত্তলমেন্ত এক্ত (RFC&T in LAR&RA) ২০১৩।
- লম লৌশিনবগী থৌওং খোঙজেল য়াজ্খৎহন্নবগীদমক দাইরেক্ত পরচেজ কম্মিতী অমা শেমদুনা মশানা য়ানিংবা পতাদার/ লম মপুশিংদগী নেগোসিএতেদ সেত্তলমেন্তকী খুখাঙদা লম হকথেংননা লৈবগী থৌওং শীজিন্নগনি।
- AIIB গী এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল ফ্রেমৱর্ক অসিদা এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল এসেসমেন্ত এন্দ মেনেজমেন্ত (ESS 1) গী এনভাইরনমেন্তেল সোসিএল স্তেন্দর্দ্স (ESS); AIIB গী পোলিসী ওন লেন্দ একুইজিসন এন্দ ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্ত (ESS 2) AIIBগী পোলিসী ওন ইন্দিজিনস পীপল্স (ESS 3) য়াওরি।

**• স্কোপ ওফ লেন্দ একুইজিসন এন্দ রিসেত্তলমেন্ত**

লম্বী পাকথোক্লবা অমসুং ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক পুন্না লম হেক্তর ২২.৮৬৯১ লৌশিনবা মথৌ তাগনি, মসিগী মনুংদা হেক্তর ১৯.০৪৬না লনাইগী লমশিংনি অদুগা লেমহৌরিবদুনা লৈঙাক্কী লম্নি। প্রোজেক্ত অসিনা পুন্না ইমুং ৪৮৪৩ শোকহনগনি। মসিদা পতা পায়বা ইমুং ৪৪৪২ য়াওরি। শোকহল্লবা ইমুংশিংগী মনুংদা ৭০৪দি খুন্নাইদা শোথরবা ইমুংশিংনি। পীগদৌরিবা চৈথেং অসিদি মপুম ওইদে, শরুক খরখক্কি, য়ামদে, অমসুং ইমুং অমত্তনা ময়ুম হোংবগী ৱাফম লৈরোই।

প্রোজেক্ত অসিনা শোকহল্লবা ইমুং অমসুং মরল মথুম অমদি হিংনবগী লম্বী মাঙবা মীওই পুম্নমক কোনশিন্বা অমসুং মাঙলিবা মরল মথুমগী মপু ওইব ওইদবগী মওংগী মখা পোন্না ফংগদবা কম্পেন্সেসসন অমসুং রিসেত্তলমেন্তকী তেংবাং তাকপা অমসুং শোকহল্লবা মীওইশিংগী সোসিও ইকোনমিক ভল্নরেবিলিতী (অৱা অনা) য়াওনা পীগদৌরিবা চৈথেংগী চাং য়াওরবা এন্তাইতলমেন্ত মেত্রিক্স অমসু শেম্লে। এন্তাইতলমেন্ত মেত্রিক্স অসিনা ওইরকপা য়াবা মরল মথুম মাঙবগী মখল পুম্নমক অমসুং মরী লৈনবা এন্তাইতলমেন্তকী মওং অমসুং স্কোপ শম্লপ্পা পল্লি। RP অসি এন্তাইতলমেন্ত মেত্রিক্স অমসুং রিসেত্তলমেন্ত পোলিসী ফ্রেমৱর্ক্কী কাঙলোনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বনি।

## E.4 ইমপেক্ত মিনিমাইজিং এন্দ মিতিগেসন

পীগদবা চৈথেংশিং হন্থহন্নবা অতোপ্পা পাম্বৈশিং নৈনদুনা য়েংখি। মদুগী মহৈ ওইনা, অপুন্বা শোকহনগদবা য়ুমথোঙ মশিং হান্না ১৫,১৯৩ ওইরম্বদগী ৪৮৪৩দা হন্থরক্লে। মতৌ অসুন্না, লমগী মথৌ তাবসু হেক্তর ৭৮দগী হেক্তর ১৯দা হন্থরক্লে।

## E.5 স্তেকহোল্দর কনসল্তেসন এন্দ পার্তিসিপেসন

প্রোজেক্ত অসিনা চাউরাক্লা মীওই ৭০০ লোম কোনশিন্দুনা প্রোজেক্ত অসিনা শোকহল্লবা খুঙ্গং ৬১ দা খন্ন-নৈনবগী মীফম ৭৯ লক পাঙথোকখি। মদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিং মখাদা পীরি:

### E.5.1 পায়খৎকদবা কনসল্তেসন অমসুং দিসক্লোজর এক্তিবিতীশিংগী সম্মরী

| সেরিএল মশিং | মীয়ামগী কনসল্তেসনগী অপুন্বা মশিং | কোনশিনখিবা অপুন্বা দিস্ত্রিক্ত মশিং | কোনশিনখিবা অপুন্বা খুঙ্গং মশিং | মীয়াম্না খন্নখিবা অমসুং হৌদোরকখিবা ৱাফমশিং |
|---|---|---|---|---|
| ১ | ৭৯ | ২ | ৬১ | **খন্নখিবা ৱাফমশিং:**<br>· মাঙখিবা লল-থুমগী কম্পেন্সেসন মার্কেত প্রাইসতা ফংহনবা<br>· প্রোজেক্ত অদুদা থবক পীবগী খুদোংচাবা ফংহনবা<br>PWD না হেক য়ারিবমখৈ লৈবা-য়োনবা পাম্বা নাকল অনিমক্কা য়ানবা লমগী মমলদা লম হকথেংননা লৈগনি। করিগুম্বা ইলিজিবল ওইবা থেংনরবদি থিকাদারনা লমদুগী শিন্নীশিংদা হান্না খুদোংচাবা পীবা।<br>**হৌদোরকপা ৱাফমশিং:** মীয়াম্না মখাদা পীরিবা ইনফ্রাস্ত্রকচর সপ্পোর্তশিংগীদমক হায়জরকখিবা অমসুং PWD গা য়ানখিবা ৱাফমশিং:<br>· স্ত্রীতলাইত (লম্বীদা মৈ থানবা) (প্রোজেক্ত কোরিদোর পুম্বদা য়াওহন্নবা দিজাইন তৌবদা হাপ্পা)<br>· মৈরা শঙ ২৫ শাবা (প্রোজেক্তনা মীয়ামগী লল ওইনা শাগদবনি)<br>· পুখ্রি (ঈশিংকোম) ১৮ হেন্না ফগৎহন্বা (হায়রিবা পুখ্রিশিংসি থবক পায়খৎলকপা মতমদা লেপথোক্কদবনি)<br>· পব্লিক তোইলেৎ ৪৭ শাবা<br>· কম্যুনিতী হোল ৯ শাবা<br>· কৈথেল শঙ ৯ শাবা (প্রোজেক্তনা মীয়ামগা তানরগা কৈথেল শঙশিং শাগনি)<br>· লোকেল ক্লব বিল্দিং ৯ শাবা<br>· ওপন জিম্নাজিয়ম ১১ শাবা<br>*হায়রিবা ইনফ্রাস্ত্রকচর পুম্নমক অসি প্রোজেক্ত অসিগী মখাদা থিকাদারনা তৌগদবা থবক্তা হাপখ্রে।* |

## E.9 জেন্দর ইকুইতী এন্দ সোসিএল ইনক্লুজন

প্রোজেক্ত অসিনা সেকেন্দরী সোর্স ওফ দেতা অমসুং প্রাইমারী দেতা অনিমক্তা য়ুম্ফম ওইরগা জেন্দর এসেসমেন্ত পাঙথোকখ্রে। নুপীশিংগী শেন্মিৎলোন অমসুং খুন্নাইগী থাক ফগৎহন্নবা জেন্দর এক্সনশিং প্রপোজ তৌরি। এক্সনশিং অসিদা হিংনবগী লম্বী ফগৎহন্নবা নুপীশিংগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ (SHG) শিং শেম্বা; কম্যুনিতী-বেজ রোদ মেন্তেনেন্স; নুপীশিংগী অশোয় অঙাম থোক্তনবা-খুদোং চাননবা মৈ থানবগী ফেসিলিতী; নুপীশিংগী খুদোং চানবা অমসুং জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স য়াওনা সেক্সুএল এক্সপ্লোইতেসন এন্দ এব্যুজ (SEA)/ সেক্সুএল হরাসমেন্ত (SH) নচিংবগী মতাঙদা নুপা অমসুং নুপীশিংগী মরক্তা এৱ্যারনেস লৈহন্বা য়াওরি।

## E.10 লেবর মেনেজমেন্ত প্লান

শেমগৎ শাগৎলিঙৈ মনুংদা লংফৈ লাকপা শিন্মী মশিং য়াম্না চঙলক্কদবনা, (১) লেবর কেম্প, (২) লেবর এঙ্গেজমেন্ত; অমসুং (৩) জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স (GBV) গী কোদ ওফ কন্দক্তকী মতাঙদা লমজিং পথাপশিং য়াওবা লেবর মেনেজমেন্ত প্লান অমা প্রপোজ তৌখ্রে।

## E.11 ইন্সতিত্যুস্নেল এরেঞ্জমেন্ত

প্রোজেক্ত অসিগী একজেক্যুতিং এজেন্সী পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্তমেন্ত, গভর্নমেন্ত ওফ মনিপুরনা ওইগনি। প্রোজেক্ত দাইরেক্তর (PD)না লমজিংবা প্রোজেক্ত মেনেজমেন্ত য়ুনিৎ (PMU) অমা লৈগনি। PMU অসিনা মপুং ওইনা প্রোজেক্ত পায়খৎপগী থবক শিন-লাংগনি, অদুগা লম লৌশিনবগী থবক্লা মরী লৈনবা দিস্ত্রিক্তশিংগী দিপুতী কম্মিস্নর/ দিস্ত্রিক্ত কল্লেক্তরশিংনা তৌগনি।

PWD মনিপুরগী – ইম্ফাল ইস্ত, ইম্ফল ৱেস্ত অমসুং হায়রে সাউথ – হায়রিবা দিভিজন খুদিংমক্কী মরী লৈনবা একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়রশিংনা লুচিংবা প্রোজেক্ত ইমপ্লিমেন্তেসন য়ুনিৎ (PIU) অমমম (1) লৈগনি। PIUনা চয়েৎনবা লৈতবা লম থিকাদারদা পীনবা থৌদাং লৌগনি। PMU না সোসিএল স্পিসিএলিস্তকী সর্ভিস নেক্কনি অদুগা স্পিসিএলিস্ত অদুনা (i) লেন্দ একুইজিসন (LA) অমসুং অতৈ ৱাফমশিংদা PIU বু, (ii) রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং (RP) পায়খৎপদা NGOবু, অমসুং (iii) RP মোনিতরিং কন্সলতেন্তশিংবু লমজিংগনি। PIUদা দিস্ত্রিক্ত এদমিনিস্ত্রেসনগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা, লম লৌশিনবা, কম্পেন্সেসন পীথোকপা, ৱাকৎ ৱাখৈবনচিংবা থৌওংশিং শেন্ননবা অখন্নবা স্তাফশিং লৈগনি।

কন্সত্রক্সন সুপরভিজন কন্সলতেন্ত (CSC) অদুনা PMU / PIU অমসুং অতৈ লুপ অমা হেক্তবু মথৌ তারবদি লম লৌশিনবা অমসুং রিসেত্তলমেন্ত অমসুং রিসেত্তলমেন্ত প্লান অপদেত তৌবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা ঙাক্লৌ পীগনি। PWD না RP পায়খৎপা শেন্ননবা অমসুং মতম মতমগী ওইনা য়েংশিন্নবা মনিং মখা তম্বা এজেন্সী অমগী সর্ভিস লৌগনি, নেক্কনি। PMU না য়ানরবা/অপেনবা পোকহল্লবা রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং (RP) অমা হান্না তৌরবা মতুংদা লম লৌশিনবগী থবক থৌওংশিং তৌগনি। RP দা চুনবা ফংফম থোকপা অমসুং অৱাবা কোকহন্নবগী থৌরাংশিং, শোত্থরবা কাঙলুপশিংগী অখন্ননা কান্নবশিং য়াওহন্নবসু PMUনা হোৎনগনি। মাঙখিবা লন-থুমশিংগী কম্পেন্সেসন পীদ্রিবা ফাওবা এফেক্তেদ ফেমিলিজ (AF) শিং ময়ুম মকৈ থাদোকহন্দনবা নৎত্রগা তান্থোকখিদনবা PMU না শোয়দনা হোৎনগদবনি।

## E.12 গ্রীভান্স রিদ্রেস মেকানিজম (GRM)

লম লৌশিনবা / লম লৈবা হৌদ্রিঙৈদা মথৌ তৌহনগদবা লেভেল অহুমগী গ্রীভান্স রিদ্রেস মেকানিজম অমা প্রপোজ তৌখ্রে। লেভেল অহুমগী গ্রীভান্স রিদ্রেসেল মেকানিজম অসিদা (১) প্রোজেক্ত সাইত লেভেল (পাউ ফাওননবগী অহান্বা থাক ওইনা), (২) PMU লেভেল (করিগুম্বা PIU নাকল অনিমক্লা য়ানবা পাম্বৈ পুরকপা ঙমদ্রবদি), অমসুং (৩) স্তেত লেভেল (করিগুম্বা PIU অমসুং PMU না মায় পাক্রবদি) য়াওরি। করিগুম্বা অৱাবা নংলিবা মীওই অদুনা তিয়র অহুম্মক্তা অপেন্বা পোক্রবদি, মহাক্লা জুদিসিয়রীদা চৎনবগী হক পুন্নমক লৈ। লেভেল অহুমগী GRM অসিগী মথক্তা, প্রোজেক্ত অসিগী ৱাকৎ থাঙ্গৎনবা ৱেব-বেজ সিস্তেম অমসু লৈগনি।

গ্রীভান্সেস রিদ্রেসেল সেল (GRCs)গা লোয়ননা, PMUদা মথৌ তাবা ওফিসরশিং, ওফিসিএলশিং, অমসুং সিস্তেমশিংগা লোয়ননা পুনশিল্লবা সিস্তেম অমা শেমগৎকনি। করিগুম্বা ৱাকৎ লৈরবদি, হকথেংননা, অপীবা এদ্রেস অমদা অইবা ওইনা, ই-মেল, নৎত্রগা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা কোল তৌবা য়াওনা তোঙান তোঙাম্বা পাম্বৈশিংগী খুথাঙদা থাঙ্গৎপা য়াগনি। PMU দা লৈরিবা সোসিএল স্পিসিএলিস্ত অদুনা লাক্লিবা ৱাকৎশিং কোওর্দিনেত তৌনবগী থৌদাং লৌগনি।

## E.13 ইমপ্লিমেন্তেসন সেদ্যুল

প্রপোজ তৌরিবা রিসেত্তলমেন্ত প্লান (RP) পায়খৎপগী থবক থৌওংশিং অসি, প্রোজেক্ত শেম শাবগী থবক থৌওংশিং, RP পায়খৎপগী থবক থৌওংশিং, অমসুং য়েংশিনবা অমসুং রিপোর্তিংগী থবক থৌওংশিং হায়না কাঙলুপ অহুম থোক্লা খায়দোক্লি। RP, GAP অমসুং হিংনবগী লম্বী হঞ্জিলহন্বগী/পীননবগী থৌরাংশিং চহি অহুম চঙনা পায়খৎকনি।

## E.14 রিসেত্তলমেন্ত বজেৎ

প্রপোজ তৌরিবা প্রোজেক্ত অসিগী অপুন্বা রিসেত্তলমেন্ত বজেৎ অসি চাউরাক্না লুপা করোর ২১৪ ওইগনি।